**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-07-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৬-০৭-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুস্বগী থবক চথবদা লালহৌবা ৪ অমসুং খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

২) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ তরুকনিগী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

**অমসুং**

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা আইন কাইনা কোইলা লৌথোকপা অমসুং লোন্না পুথোক পুশিন তৌবগী ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনখ্রে।

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুস্বগী থবক মখা তানা চথুরি।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা মাংজোল খুলগী মনাক নকা লৈবা কৌব্রু

চীংশাং পরেংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙল্লে। ফারবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা- মেগজিনগা লোয়ননা ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম এমগী ইন্সাস রাইফল ১, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ২৪, দবল বেরেল ১, কন্ত্রি মেদ পিস্টোল ১, পোম্পী ২, লোকেল মেদ হেন্দ গ্রেনেদ ১ অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

মখা তানা নম হাদুনা শেল খাইবা অমসুং আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা চথরি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কৈখুদগী য়ু.এন.এল.এফ(পাম্বৈ)গী মীওই অহুম ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রোগী মফম অমদগী কে.সি.পি(এম.এফ.এল)গী মীওই অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস স্তেসননা কোনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মীওই ৪ গঞ্জা কিলোগ্রাম ২৩৯ গা কোন্ননা ফাগৎখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** ১৯ শুবা দিস্তরভেন্স ফ্রি ইদ্যুকেসনেল জোন দিমান্দ নুমিৎ পালন থৌরম ঙরাং জিরিবামগী কদমতলাদা লৈবা জিরি কোলেজতা পাঙথোকখ্রে। ‘সেভ ইদ্যুকেসন, সেভ কেম্পস, সেভ মণিপুর’ হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু কোওর্দিনেতিং কম্মিতি ওন দিস্তরভেন্স ফ্রি ইদ্যুকেসনেল জোন দিমান্দনা শিনবনি। থৌরম অসি মরুওইনা মহৈ তমফম শঙশিংবু মখল অমত্তগী অয়েৎ অপন লৈতনা মহৈ তম্বা ফংহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংবদা আর.কে.সনাতোম্বী ভিদ্যলয় জিরিবামগী প্রিন্সিপাল সোরোকখাইবম মনিতোন সিংহনা হায়-মহৈরোই হায়বসি সমাজকী তুংগী য়ুম্বীনি। মখোয়বু মহৈ মশিং তমহনবদা অথিংবা লৈতনা অমসুং ইং তপ্পা ফিভম অমা ফংহনবা তঙাইফদে।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**---সিগনেচর ট্যূন--**

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ তরুকনিগী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

খোঙচৎ অসিগী অহানবা শরুক ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি ইন্দোনেসিয়াদা থুংগনি। খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা ইন্দোনেসিয়াগী রাস্ত্রপতি প্রাবোৱো সুবিয়ান্তোগা ভারত অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী মরক্তা লৈনরিবা কম্প্রিহেন্সিভ স্ত্রেতেজিক পার্টনরশিপকী মতাংদা খন্নগনি। তুংদা, ইন্দোনেসিয়াগী কোনুং জকর্তাদা প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুদা লৈবা ভারত মচাশিংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নগনি। মহাক্কী খোঙচৎকী অনিশুবা শরুক্তা প্রধান মন্ত্রিনা থা অসিগী ৮ দা ওস্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্ণদা থুংগনি। প্রধান মন্ত্রিনা ওস্ট্রেলিয়াগী প্রধান মন্ত্রি এন্তোনি এলবানিসকা লোয়ননা অহুমশুবা ইন্দিয়া-ওস্ট্রেলিয়া এন্ন্যুএল সম্মিটতা শরুক য়াগনি। মহাক্কী খোঙচৎকী অহুমশুবা শরুক ওইনা থা অসিগী ১০ দা নিউজলেন্দদা চৎকনি। মসিদা প্রধান মন্ত্রিনা নিউজলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লক্সনগা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা তোঙান তোঙানবা মরীশিংগী মতাংদা পুন্না ৱারি শান্নগনি। প্রধান মন্ত্রিগী নিউজলেন্দ খোঙচৎ অসিনা চহী ৪০ গী মতুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা নিউজলেন্দদা চৎপা অহানবনি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহ অমসুং কোইল এন্দ মাইন্স মন্ত্রি জি.কিসান রেদিনা নিউ দেল্লিদা ঙরাং অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্তুনা আইন কাইনা কোইলা লৌথোকপা অমসুং লোন্না পুথোক পুশিন তৌবগী ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা, হীরম অসিগা মরী লৈননা ফিভম কা হেন্না

লুশিল্লকপগা লোয়ননা গৃহ মন্ত্রিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। কোইলা মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংনা হায়-মাইন্স এন্দ মিনরেলস (দেভলপমেন্ট এন্দ রিগ্যুলেসন) এক্ট ১৯৫৭ কী মখাদা সি.আই.এস.এফ অমসুং কোইল ইন্দিয়া লিমিতেদকী ওফিসিয়েলশিংনা হীরম অসিদা চেন্নবা মীওইশিং আইনগী মতুং ইন্না থবক লৌখৎনবা থৌদাং শিন্নরে। গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা কোইলা মন্ত্রালয় অমসুং সি.আই.এস.এফকী ওফিসিয়েলশিংনা হৌজিক ফাওবদা পায়খৎলিবা থবকশিং থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাকা হায়-ইন্তিগ্রেতেদ কম্মান্দ অমসুং কন্ত্রোল সেন্তরশিংদা অফবা মখলগী কেমেরাশিং শিজিন্নদুনা অসিগুম্বা আইননা য়াদবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা হোৎনগদবনি।

**হারঃ** কেমিকেল অমসুং ফর্তিলাইজরস মন্ত্রালয়না হায়-হার অমসুং হার শেম্বদা চংবা পোৎলমশিং পুবা ভেসেল ১৫ ভারতকীদমক স্ত্রেট ওফ হোর্মুজ লান্থোকখ্রে। মন্ত্রালয়না হায়-ভেসেল ১৫ অসিগী মনুংদা ভেসেল ৮ দা য়ুরিয়া মেত্রিক তন লাক্ষ ৩ লিশিং ৩২ য়াওরি। অদুগা, অতোপ্পা ভেসেল ৪ দনা দাই-এম্মোনিয়ম ফোসফেট মেত্রিক তন লাক্ষ ২ লিশিং ৫৭ অমসুং লেমহৌরিবা জেসেল ৩ দনা সলফর মেত্রিন তন লাক্ষ ১ লিশিং ১১ য়াওরি। কেমিকেলস এন্দ ফর্তিলাইজর্সকী কেন্দ্রগী মন্ত্রি জে.পি.নদ্দানা হায়-নোংচুপ এসিয়াদা চরাংনবা ফিভম মায়োকবা অসিনা গ্লোভেল সপ্লাই চেনদা অয়েৎপা পীবগা লোয়ননা মসিনা লৈবাকশিংদা হারগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎহনবা অমসুং হারশিং পুথোক পুশিন তৌবদা মতম কা হেন্না চংহনবগী অচৌবা মচাক ওইরি। মহাকা মখা তানা হায়-দিপার্টমেন্ট ওফ ফর্তিলাইজরসনা রাজ্য সরকারশিংগা লেপ্তুনা তাথোক তাশিন তৌনদুনা লৈবাক অসিদা হার মরাং কাইনা অমসুং নিয়ম চুমা ফংহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি।

**কঞ্জুমরঃ** ভারতনা সভাপতি ওইদুনা কঞ্জুমর প্রোতেক্স লো এন্দ পোলিসিগী

মতাংদা ইন্তরগভর্ণমেন্তেল গ্রুপ ওফ এক্সপর্টসকী ৯ শুবা মীফম স্বিটজরলেন্দগী জেনেভাদা ঙসিদগী হৌরগনি। মীফম অসি য়ুনাইতেদ নেসন্স ত্রেদ এন্দ দেভলপমেন্টনা শিনবনি। কঞ্জুমর এফিয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিস্ত্রিব্যুসন মন্ত্রালয়না হায়-মীফম অসিদা মেম্বর স্তেটস কঞ্জুমর প্রোতেক্সন ওথোরিতি, তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমসুং স্তেকহোল্ডরশিংনা পুন্না ফম্মিন্নদুনা কঞ্জুমর প্রোতেক্সন লো এন্দ পোলিসিগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিংগী মতাংদা কুপা খন্নগনি।

**ব্রিক্সঃ** ব্রিক্স লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগী ওইবা এন্টি দ্রগ এজেন্সিশিংগী নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম ঙসিদগী গুৱাহাতিদা হৌরগনি।

হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না হায়-মীফম অসিদা ব্রিক্সকী সদস্য লৈবাকশিংগী এন্টি দ্রগ এজেন্সিশিংগী মকোকশিং অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা দ্রগ কন্ত্রোল এজেন্সিশিংগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নগনি। মীফম অসিদা ওপরেসন চথুবদা তেংবাং পীনবা, ইন্টিলিজেন্সকী পাউ পীথোক পীশিন তৌনবা, কেপাসিতি বিল্ডিং অমদি পুন্না দায়ত্ব লৌমীন্নদুনা দ্রগকা মরী লৈনবা কিহল্লকপা কয়া মপুং ফানা মায়োকবা ঙমবগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী রাউন্দ ওফ সিক্সতিনগী ঙরাং অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১ মখায় তাবদা শান্নখিবা মেটচতা নোরৱেনা ব্রজিলবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। হৌজিক অয়ুক্কী পুং ৬ মখায়দা শান্নবা হৌখিবা মেটচকী অহানবা হাফটতা ইংলেননা পাঞ্জল ২ অমসুং মেক্সিকোনা ১ চনখি। ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুংখাই চৎপদা পোর্ত্যুগলগা স্পেনগা শান্নগনি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**

**হৌজিক নাওরেম ভিক্তর লৈরে--**

--**ভিক্তর**--

--**অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক**--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা লালহৌবা ৪ অমসুং খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

২) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ তরুকনিগী লৈবাক অহুমগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

**অমসুং**

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা আইন কাইনা কোইলা লৌথোকপা অমসুং লোন্না পুথোক পুশিন তৌবগী ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনখ্রে।

--**পাউ লোইজরে**--

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

**থাগৎচরি-ঙাম্থোই**

এস.আই.আরগী ইন্ন্যুমরেসন ফেজ লোয়দুনা দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ফোঙখিবা, কাংপোকপী জিলাগী থিংখোঙজাংদা শকখঙদবশিংনা এত্তেক্ট

চথরকখিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফম পাউচেদা- এস.আই.আরগী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ফোঙখ্রে। ইলেক্তর লাক্ষ ১৫ লিশিং ৩৪,৩৯৯ না ফোর্ম পীখৎলকখি। লাক্ষ ১ লিশিং ৫৮,৬৭৭ কীদি ফোর্ম লৌখৎপা ঙমখিদে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক, সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

থিংখোঙজাংদা লান্দারকখ্রে, মী অনি শোকখ্রে, য়ুম মৈ থাখ্রে। কিমনা কন্দেম তৌরি, সেক্যুরিতি ফোর্সকী থৌওংবুসু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি । পাউ অসিমক তোঙানবা হেদলাইনগা লোয়ননা- হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

থিংখোঙজাং অমদি সেলজাং ভিলেজতা নোংমৈ কাপবদা শোকখিবা অনি রিমসতা পুখৎলকখ্রে হায়না- সনালৈবাক পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- লিয়াংমৈ নাগা মীচম তরুক হাৎখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুনা অচুম্বা ৱায়েল পুথোকপীনবা ৱাকৎ মীফম চৎখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোর্বুং মনিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবগী থৌওংবু তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

মীওই মরি গঞ্জা কে.জি-২৩৯ গা কোন্ননা ফারে হায়বা পাউ অমসু-নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

নেসনেল হায়ৰে- টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা ব্লোকেটনা মরম ওইরগা ত্রক দ্রাইভরশিং চৎপা য়াদনা লৈরে হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা রাজ্য অসিগী সেক্যুরিতিগী ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- চহী অহুমগী মতুংদা মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মেত্রিক পরিক্ষা থাখ্রবা অমসুং থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংগী আধার অমসুং বেঙ্ক এক্কাউন্ট লিঙ্ক তৌনবগী মতাংদা দাইরেক্তোরেট ওফ ত্রাইভেল এফিয়র্স এন্দ হিলসনা নোতিফিকেসন থোকখিবগী পাউ- তামেংলোং তাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতি জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র অহুমগী দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ফোঙখে হায়বা পাউ- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--ঙাক্সোই--**